মপোক নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্লরোই

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচএনএস):

লমদিং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মেম্বর ওইরম্বা সোরোখাইবম মোধুচন্দ্র (৫৮) থা অসিগী ৩গী নুংথিলদা ইখঙ খঙহৌদনা তাইবঙপাল থাদোকখিবদা লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফ্যের এসোসিএসন (লেৱা) গী শঙলেন্দা ঙসি নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তাবদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ফমদুনা মিনিট অনী তূমীন্ন লৈদুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না মপূগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্লা লৈনবগীদমক শেন্বীবা মপুদা থৌনিজখি। মহাক্লা নহা ওইরিঙৈ মতমদা ভোল্লিবোল মশান্নবু চাওখৎনবা হোৎনবীরম্বা অমদি ছাত্রশিংবু মহৈ-মশিং তাকপী তন্বীবগী থৌদাং লৌখিবা মীশক অমনি হায়নসু লেৱানা থোকপা চেরোল অসিনা শীংথাখি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	89.172367
US Dollar	72.847636
British Pound	103.200694
Australian Dollar	56.543316
Chinese Yuan Renminbi	11.414503
Japanese Yen	0.665710
Malaysian Ringgit	17.650291
Singapore Dollar	55.118144
South Korean Won	0.065815
Saudi Arabian Riyal	19.426036
Thai Baht	2.336571

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	47320.00
Mumbai	–	Rs	47165.00
Delhi	–	Rs	47165.00
Kolkata	–	Rs	47960.00

GAS NEWS

M/S BASHIKHONG INDANE
Booking up-to 24/04/21
Valid from 15/04/21
Home delivery only....
Contact no. 9089709738, 8794622868
Office timing 8.00AM to 11AM will be delivery for 3days

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-31/05/2021
Valid from-17/04/2021
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.

SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK
BOOKING upto 28-04-2021
VALID FROM 22-04-2021
STK 306
TIME 8:00 -10:00
HOME DELIVERY DATE 08-06-2021
CONTACT NO : 7005695308 6009772483

TDK GAS
BK UPTO 07/04/21.
VF.05/04/21.HOME DELIVERY ONLY
CONTACT NOS. 6909614353/8731992324.
TIMING 9:00 AM TO 3:00 PM

HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 20/04/2021
BOOKING UPTO:21/04/2021
BOOKING AND ENQUIRY ONLY:
03852444677
(KINDLY UPDATE LATEST MOBILE NO)
TIMING: 8:00AM to 12:00 PM
(HOME DELIVERY ONLY)

MANIPUR GAS SERVICE
Booking upto : 30/04/2021
Valid from : 05/04/2021
Home Delivery Only....
Contact No: 8730954041, 8259969582
Offi ce Timing: 8 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS
1. Poumai Colony, Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam - 9863385995
2. Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei and Lamsang A/C etc. 8787857518
3. Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top7424085506
4. Laipham Khunou, Sangakpham, Nagaram, Dewlahland, Khoyathong, Nagamapal and Uripok Road, Namdunlong - 8414886475
5. Hatta, Tellipati, New Checkon, Ragailong, Wangkhei, Soibam Leikai, Kshetrigao A/C Kongba etc. 7005282449
6. Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung - 7005439154
7. Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Yaiskul, Moirangkhom and Singjamei A/C. etc. 8131832195
8. For, Complain and Enquiry Number - 8259969582
Time : 8.00 am. to 12.00 noon. 8730954041

GBD INDANE SERVICE
Booking upto :-25/04/2021
Valid from :- 03/04/2021
Stock :- 286
All Customers are Home Delivery (Delivery within 4 days)
Working hours 7:30 AM-11 AM and 2pm -4pm (Everyday Except Holiday)
Contact no. 7629947179 and 7629947187 for Refill Order and Enquiry

উমং-ৱামং মৈ থাদোকপনা ইকো সিষ্টেমদা অকায়বা থোকহল্লি

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস):

য়ারলপাৎ ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদ য়ারলপাৎ তোপ দুসারা ইম্ফাল ইষ্ট মণিপুরগী মখাদা লৈবা য়ারলপাৎ ৱেটলেন্দ কন্সার বেন্সনা শীন্দুনা মালেমগী লায়না লাইচৎ কোভিদ-১৯গী মরক্তা লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোনগী মতুং ইন্না চহী অসিগী ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট ডেগী অচম্বা থৌরম অমা সোসাইটিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

কুমজা ১৯৭৪দগী য়ুনাইটেদ নেসন্সনা চহী খুদিংগী জুন ৫ অসিবু ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট ডে হায়না পাঙথোক্তুনা লাক্লবসু মণিপুরগী প্রজা সেক্সন খরদি ঙসি ফাওবা খঙদনা লাকপনা চিংদা, উমং-ৱামং কয়া মৈ থাদোক্তুনা মফমদুগী ইকো সিষ্টেমদা অচৌবা অকায়বা অহোংবা পীরি। মহৌশাগী লৈজরম্বা অমদি মালেমগী শাবগী চাং হেনগৎলক্তুনা থৱায় পানবা জিবশিং তাইবং মীওইবদা অৱাবা চৈথেং কয়া পীরিবা, তুংগী মীরোলদা ওইরক্কদবা খুদোংথীবা কয়া অদুদগী খরমখৈ কনবা ঙম্লবগীদমক ক্লব ওর্গনাইজেসন, প্রজা ময়াম খুৎশম্নদুনা হোৎনরবদি মাগী মাগী ফিভমদা থম্বা ঙমগনি।

হন্দক চহী ২০২১গী ওইনদি ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট ডেগী থীম অসি ইকো সিষ্টেম রেষ্টোরেসন হায়বদি অকোয়বগী খল অমুক হিঙ্গৎহনবা হায়বসিনি। উমং-ৱামং কোকথোরকপনা পোল্যুসন থোকহল্লকপা, শা-ঙা লৈফম লৈরক্তবা ঈশিং ঈচাও থোকহন্দুনা ঈশিং ঈচেলনা লৈবাক লৈহাউ কয়া পুথরক্তুনা পাৎ-তুরেল, পুখ্রি থেঙ্গৎহনবা ফনবগীদমক উ চারা থাবনি।

য়ারলপাৎ শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা সোসাইটি অসিগী থৌমীশিংনা হোৎনদুনা মীয়ামদা পাৎ অসিগী শক্তম নৌহৌননা উহন্দুনা মীরমদগী পাইরকপা উচেক মখল কয়া চাক্তাদুনা রিপ্রদক্সন তৌদুনা ময়ূম ওইদুনা চাক্তারি। পাৎ অসিগী অকোয়বদা মহৌশাগী কোন্বীরৈ পান্বীশিং থানবা শেম-শারি অমসুং মফমসিগী বাইওদাইভর্সিটিশিং নৌহৌননা হিঙ্গৎহন্নবা হোৎনরিবা থৌমীশিংবু থাগৎপগা লোয়ননা য়ারলপাৎ ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদনা পায়খৎলিবা য়ারলপাৎ ৱেটলেন্দ অসিবু গভর্ণমেন্টনা অমুক্কা হেন্না মীৎয়েং চঙবীরবদি পাৎ অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়াম অমদি মালেমগী ওইনা কান্নবা কয়া অমা পীরগনি হায়নসু সোসাইটি অসিগী সেক্রেটরি টিঐচ জানকিনা থোকপা থোকপা চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

আর কে রামেশ্বরবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচএনএস): ঙরাং পাৎশোই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ১৯/৪ পাৎশোই পার্ট-টু মখা লৈকায়দা আর কে রামেশ্বর, মেনেজিং দিরেক্টর আর কে ফোর্চুন দিভলপর্স প্রাইভেট লিমিটেদ, চঙাঙ্গৈদা লৈবনা হৌজিক হৌজিক মালেম পূম্বদা অকিবগী মশক ফংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংলবা ইমুং খুদিংমক্তা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা চানবা পোৎলমশিং অহানবা ৱেভকী য়েনখ্রবা মতুং মখা তানা অনীশুবা ৱেভনা শোকহল্লবা ইমুংশিংদা য়েন্থোকখ্রে হায়না পাৎশোই মখা য়াইফ লুপ (পাময়াল)গী সেক্রেটরি ৱাহেংবম হেরোজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। চেরোল অসিদা, পাময়াল ক্লব অমদি ৱুমিন’স দিভলপমেন্ট এসোসিএসন, পাৎশোই পার্ট-টু মখা লৈকায়না ৱারবা মতম, লায়না লাইচৎ মতম অসিদা মতেং পাংবীবগীদমক্তা হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্না তৌরম্বা থবক থৌরম খুদিংমক্তা মায় পাকপা ওইসনু অমসুং মিংচৎ পুরকপা ওইরসনু হায়না তাইবঙ শেন্বা মপুদা থৌনিজরি হায়রি।

জেনিমসকী থুগাইখিবা পোৎলমশিং...

লামায় ১গী মখা... ওক্রম অজিৎকী মায়কৈদগীসু জেনিমসকী দিরেক্টরদা অইবা চেরোল অমা পীশিল্লক্তুনা থৌদোক অদুগী মতাংদা লাল্লে হায়জরকখি। লোয়ননা মদুগীদমক্তা মহাকপু ঙাকপিনবসু হায়জরকখি হায়রি।

অদুম ওইনমক, লম্ফেলপাৎতা লৈরিবা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিয়সন (আই এম এ), মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট অমসুং ওনররি ষ্টেট সেক্রেটরি অনীনা পুন্না থোরকখিবা চেরোল অমদা পেসেন্ট অমা শিবদগী জেনিমস হোস্পিটালগী কোভিদ ৱার্দতা মথৌ পাঙথোকখিবা দোক্তরদা খুৎ থাখিবা অমসুং হোস্পিটালগী পোৎ-চৈশিং অকায়-অতোয় থোকহনখিবা ঙরাংগী থৌদোক অদু য়াম্না ইকাইনিংঙাই ওইবা অমসুং মেদিকেল কম্যুনিটিবু ইকাইবা পীবা থৌদোক্লি হায়খি। ষ্টেট অসিনা হৌজিক কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্লরিঙৈ চৈরক্তা হোস্পিটালদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোকহনববুসু কন্দেম তৌরক্লি। লোয়ননা থৌদোক অদুদা চেন্নবশিংবু মণিপুর মেদিক্যের সর্ভিস পর্সনেল এন্দ মেদিক্যের সর্ভিস ইনষ্টিট্যুসন্স (প্রিভেন্সন ওফ ভাইওলেন্স এন্দ দেমেজ টু প্রোপর্টি) এক্ত, ২০১৫ অমসুং ইপিদেমিক দিজিজ (এমেন্দমেন্ট) ওর্দিনান্স, ২০২০গী মখাদা ফাদুনা পীফম থোকপা চৈরাকশিং পীগদবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি। অদুম ওইনমক এসোসিয়সন অসিগী মায়কৈদগীসু ওক্রম ওংবী জিপ্সী দেবীনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অদুবুদি অৱাবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুং মনুংদা মায়োক্লহৌরিবা অৱাবশিংদসু শরুক য়ারি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

দোক্তর তানদনা হীদাক চাবনা...

লামায় ১গী মখা... সাইন্টিফিক ওইবা রিজল্টদি লৈতে। তৌবতবু কোভিদ লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবনি হায়দুনা শীজিন্নরিবা মাস্ক অসি তরু-তনানবা ওইহনগদবনি। উপ্লিবা মাস্ক অদু তোয়না শীন্দোকপীবা ফৈ। লোয়ননা লমদম অসিদা শীজিন্নরিবা ফীনা তুবা মাস্কশিংসু অমুক উপ্লুরবদি অনীরকশুনা উপ্তুবা ফৈ। করিগুম্বা অনীরকশুনা উপ্পা তারবসু শুদোক-চামথোল্লগা তরু তান্ননা উপ্পা অমদি লুনা-নান্না লৈবদি য়াম্না মথৌ তাই। মাস্ক য়াম্না কুইনা উপ্পনা ম্যুকোরমাইকোসিস লায়না অসিনা নাহল্লি হায়বসিসু লানগনি। তৌবতবু মাস্ক য়াম্না কুইনা উপ্পনা হকচাংদা তোঙান-তোঙানবা লায়না নাহল্লকপদি য়াই। হকচাং ফনা লৈবা মীওইশিংদদি লায়না অসিনা থোইনা নারকপদি ওইদে। ম্যুকোরমাইকোসিসকী হীদাক লৈ মরম অদুনা মতম চানা ঙন্না লায়েংহৌরবদি লায়না অসিদগী অদুমক পুন্সি য়াম্না কনবা ঙমগনি। লায়না অসি য়াম্না য়াঙনা হকচাং মনুংদা শন্দোকপা ওইবা মরম্না মতমচানা লাইয়েংথোকপদি মথৌ তাই। করিগুম্বা ম্যুকোরমাইকোসিস হায়রিবা ফঙ্গস অসিনা করিগুম্বা ব্রেন য়ৌখ্রবদি শিবগী চাং চাদা ৮০ ওই। অদুগা নোরমেল্লি ওইনা ম্যুকোরমাইকোসিস লায়না অসিনা নারগনা শিবগী চাং অসি শুপ্নগী চাদা ৫০ ওই। অদুবু লাইবক ফবদি ম্যুকোরমাইকোসিস লায়না অসিগী হীদাক অসি তাংলবসু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পীরকপনা মতম চানা লায়েংদুনা হীদাক থাহৌরবদি লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনসু ম্যুকোরমাইকোসিস লায়না অসিগী মতাংদা মীয়ামদা এৱ্যারনেস পীবগী থবক কয়া পাঙথোক্লি। মীয়াম্নসু লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিংদা থৱায় হকচাং য়াওনা থৌদাং লৌবিয়ু। মদুনা লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখি।

ইরিলবুং পুলিসনা মতম চানা লাক্তুনা ঈরাং থোকহনখিদ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচএনএস):

ঙরাং ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা লিংচিৎ পাৎ, লফুপাৎ অমদি তানাখা পাৎকী অকোয়বদা য়ু এ দি এ সী ও সী অমদি দল্লিয়ু বি সী সী অরাপ্তি ব্রাঞ্চনা উচেক লাং থাকপা অমদি ফাবা থিংবগী শরুক অমা ওইনা দ্রাইভ চথবদা লাং থাক্তুনা থল্লম্বা উচেক লাং অনী লৌথোক্লুবদগী থোকহন্নীংদবা থৌদোক থোক্লমগদবদগী ইরিলবুং পুলিসনা মতম চানা লাক্তুনা ঈরাং থোকহৌদ্রে।

তুংদা উরুপ হায় স্কুলদা উরুপ-অরাপ্তি দিভলপমেন্ট কো-ওর্দিনেটিং কন্মিটিগী প্রসিদেন্ট খুলেম চন্দ্রবাবু, থৌবাল রেঞ্জ ওফিসকী দিপ্যুটি রেঞ্জর টিঐচ জোন্সন সিংহ, রোমেস নিংথৌজম কনভেনর জে সী সী দল্লিয়ু বি মণিপুর, এমদি বেরুদ্দিন প্রধাণ, কৈরাও মক্তিং জি পি, এমদি অজিমুদ্দিন খান ফাইনান্স সেক্রেটরি য়ু কে ৱাই সী, ৱাহেংবম প্রেমানন্দ এক্স কাওন্সিল লিলোং (থৌবাল), এম সী, দল্লিয়ু বি সী সী অরাপ্তি ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি সিঐচ সন্তোশ অমদি য়ু এ দি সী ও সী, মণিপুরগী থৌমীশিং পুন্দুনা মখা তানা ক্যামগৈ মুসলিম, উরুপ-অরাপ্তি, লিলোং ম্যুনিসিপালিটি কাওন্সিল, কৈরাও মক্তিং গ্রাম পঞ্চায়ত অমদি লিলোং এরিয়াশিংদা লল্লক্কী শা-উচেক ফাবা পূনবা অথিংবা থল্লে হায়না মীটিং অদুদা পুন্না ৱারেপ লৌখ্রে।

কনাগুম্বনা অথিংবা অসিগী মায়োক্তা উচেক লাং থাকপা নৎত্রগা লল্লক্কী শা ফাবনচিংবা তৌরল্লবদি ফংফম থোকপা দন্দি ফংবদা মশানা য়াজগদবনি হায়বনচিংবা ৱারেপ কয়াসু লৌমিন্নখ্রে।

মপোক নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্লরোই

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচএনএস): খোরিরোল সন্দোকলূপ, ৱাংজিংগী থা অসিগী ৮দা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা ৪৩শুবা মপোক কুমওন থৌরম অদু কোরোনাগী লাইচৎনা মরম ওইদুনা পাক-চাওনা পাঙথোল্লরোই। নুমিৎ অসিদা চহীগী চেফোঙ ‘ইথিল’ ওন লাইনদা ফোঙদোল্লগা চন্না লোইশিঞ্জরগনি। লোয়ননা নুমিৎ অসিদা য়েন্থোক্লবা থৌরাং তৌরম্বা খোরিরোলগী মনাশিংগী মনা ফংগদবশিংগী মিং অমসুং য়েন্থোক্কদবা নুমিৎ কোন্না খঙহল্লক্লগনি হায়না খোরিরোল সন্দোকলূপকী সেক্রেটরি ভোরোত সনসমনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচএনএস):

মণিপুরী ঠীএটরগী লময়ানবা অমা ওইরম্বা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (এম দি য়ু)গী ফাওন্দর সেক্রেটরি অমদি ঠীএটর সেন্টর মণিপুরগী ফাওন্দর প্রসিদেন্ট ওইরম্বা সোরোখাইবম ললিত নাত্য রত্নগী ১২৯শুবা মপোক কুমওন ঙরাং লৈখিদ্রবগী পোক্লফম য়াইস্কুলদা কোভিদনা মরম ওইদুনা চম্না ইমুং মনুং ঙাক্তনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখ্রে হায়না সোরোখাইবম ললিত মেমোরিএল ট্রষ্টকী দিরেক্টর ফাইনান্স সোরোখাইবম শরতচন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, হান্নদি থৌরম অসি এম দি য়ু অমদি সোরোখাইবম ললিত মেমোরিএল ট্রষ্ট অনীনা খুৎশম্নদুনা এম দি য়ুদা পাঙথোক্লবা থৌরাংলম্বনি। অদুবু কোভিদনা মরম ওইদুনা পাঙথোকচবা ঙমখিদ্রে। মহাক্না ইরম্বা দ্রামাশিংদি- সতী খোংনাং, অরেপ্পা মরুপ, খম্বা শমু খোংয়েৎপা, মাইনু পেমচা, ভাগ্যচন্দ্র, পুরান মৈ থাবা, জপান লাললনি। লোয়ননা দ্রামা ৮০রোম দিরেক্সন পীরম্মী। মহাক্না দিরেক্সন পীবা এম দি য়ুগী ‘হাওরং লৈশং শাফবী’ দ্রামানা দেল্লীদা কুমজা ১৯৫৪দা পাঙথোকপা ওল ইন্দিয়া দ্রামা ফেষ্টিভেলদা ফোক কেটেগোরিদা বেষ্ট প্লেগী মনা ফংদুনা মণিপুরী দ্রামাবু ইন্দিয়াদা শক তাকখি। মহাক কুমজা ১৮৯২গী জুন ৫দা পোকখি অদুগা ১৯৫৫গী ওক্টোবর ২১দা তাইবংপান থাদোকখি হায়রি।

মীয়ামদা চেঙ শুনা...

লামায় ১গী মখা... চাকখাউ নোংমতা ওইরবসু মেন্নবা হায়দুনা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরনা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনসু য়ুমথোঙ খুদিংগী মীকোক্তা চেঙ কিলো ৫/৫ ফংহনগনি হায়খ্রগা নফসাগী কার্দ লিঙ্ক তৌদবশিং পীররোই হায়রকপা অসিসু য়াম্না লাইবক থীবা অমসুং মনীং মমাঙ শম্নদবা থৌওংনি হায়রি। কর্ফিয়ুগী চৈথেঙ নংলিবসি নফসাগী আধার লিঙ্ক তৌবা কার্দ পায়বশিং খক্তং ওইরবরা হায়বা ৱাফমসু হৌজিক চোংথোরক্লি হায়রি।

কোভিদনা লৈখিদবা...

লামায় ১গী মখা... থাগী চেফোঙ ‘ঐখোয়গী পম্বুং’ অমসুং ‘নীংতম লানপাউ’গী এদিটর ওইরমখিবা এস হেমন্তসু কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদবনি।

হৌজিকফাওবদা চীফ মিনিষ্টরনা মণিপুরগী পাউমীশিংবু কোভিদ-১৯ ৱারিয়রনি হায়দুনা লাউথোকখ্রবা মতুংদগী লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা পাউমী মশিং ২ শুখ্রে।

পনবা য়াবদি, ঙসি লৈখিদ্রবা এস সান্তিকুমারগী লোয়নবী অমসুং মচানুপী ১ অমদি মচানুপা ১ লৈহৌরি।

কামজোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদদি...

লামায় ১গী মখা... হৌজিক ফাওবদা বেঙ্ককী ওথোরিটিনা মখোয়গী থবক থৌরমশিং হৌনবা হায়বদা য়াদদুনা লাক্লি। মসি হৌজিক বিল্ডিং অসিগী ওইরিবা ফিভম অসিদগীনি। বেঙ্ক ওইনা শীজিন্নগদবা বিল্ডিং অসিবু শারম্বা কোন্ত্রেক্টরনা ক্বালিটি মেন্টেন তৌরমদে। বিল্ডিং অসিগী ফ্লোরদা নপ্লিবা টাইলশিং লোইনমক মচেৎ মচেৎ থোক্লা কায়রে। মরম অসিনা মফম অসিদা বেঙ্ক লৈতবদগী খুঞ্জাশিংনা অৱাবা মায়োক্লরে। খুঞ্জা অয়াম্বগী একাউন্টশিং ইম্ফাল অমসুং উখ্রুলদা হাংদোক্লরে। মসিগী মথক্তা কামজোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা শাগৎলক্লিবা মিনি সেক্রেটেরিয়েট অসিসু হৌজিক ফাওবদা লোইশিন্দনা লৈরে ইশম শন্বদা হৌখিবা চহী ২/৩ অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎ শাগৎপগী থবক পুম্নমক লোইশিন্দনা লৈরি। দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর অসিগী মনুংদা লৈরিবা লম্বীশিংগী ফিভমসু শাথিবা মওংদা শোক্লে। কনাগুম্বা মিনিষ্টরশিংনা লাকপা মতমদখক্তা টেম্পররি ওইনা রিপ্যেরিং তৌবনি হায়রি। মরমশিং অসিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চল্লিবা সাহামফুং ব্লোকতদি ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট য়াওনা অতৈ লোয়শঙশিংগা মরী লৈনবা থবক থৌরম পুম্নমক ফেল ওইরে হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা, নেসনল ফুদ সেক্যুরিটি এক্ত নফসাগী কার্দ হোল্ডরশিংদা প্রাইম মিনিষ্টর গ্রামিন কলিয়ান অন্না য়োজনাগী মখাদা পীগদবা চাকথুংশিং মসিবু ফংগদবা খুঞ্জাশিংদা নীংথিজনা ফংহনবা ঙমদ্রে হায়রদুনা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী ওইরিবা ফিভমশিং অসিগী মতাংদা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা হকচীন্না লৌবগা লোয়ননা পায়খৎফম থোকপা থবক থৌরমশিং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী খুঞ্জাশিংগী ইন্টরেষ্টতা পায়খৎপিয়ু হায়রি।

অমরোমদা, থা অসিগী ২দগী হৌরদুনা ৪ ফাওবা কে দি সী সীগী এদভাইজর আসাং কাসারনা কসোম খুলেন ব্লোক হেদ ক্বার্টর, ফুংয়ার ব্লোক হেদ ক্বার্টর, কামজোং ব্লোক হেদ ক্বার্টর অমসুং সাহামফুং ব্লোক হেদ ক্বার্টরনচিংবদা চত্তুনা হকথেংননা মফমশিং অদুদা ওইরিবা ফিভমশিং য়েংশিনখি। কে দি সী সীগী মেম্বরশিংনা ভিলেজ ওথোরিটি, য়ুথ ওর্গনাইজেসন, ৱুমেন ওর্গনাইজেসন অমসুং ব্লোক লেভেল কোভিদ-১৯ কন্মিটিগী মেম্বরশিংগা ফম্মিন্নদুনা হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী ফিভম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদসু কুপ্না খন্নখি হায়রি।

সুপ্রিম কোর্টকী দিরেক্সন মতুং...

লামায় ১গী মখা... নুমিৎ নীনিগী মনুংদা অমুক হন্না লৌথোক্কদবনি হায়দুনা খঙহনখিবনি। করিগুম্বা হায়রিবা থবক অদু পাঙথোক্ত্রবদি লিগেল নোটিস ইস্যু তৌখিবা এদভোকেট অদুগী মথক্তা লিগেল প্রোসিদিং লৌখৎকনি হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

অসিগুম্বা ১৫-ৱাংখৈ এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়ন্সিগী নৌনা এম এল এ ওইরক্লবা ৱাই ইরাবোত অমসুং এ সী অসিগী হান্নগী এম এল এ ও হেনরিগী মরক্তা লৈখিবা লিগেল প্রোসিজর ময়াম অসিনা মরম ওইরদুনা ৱাই ইরাবোতনা মহাক্কী এ সীদা এম এল এ অমা ওইবগী থবক থৌরমশিং পাঙথোল্লিব্রা নৎত্রগা পাঙথোক্ত্রব্রা হায়বা ৱাফমশিং মায়কৈ কয়াদগী লাকখি।

মসিনা মরম ওইরদুনা ঙসি পাউচে অসিনা ৱাই ইরাবোতকা হকথেংননা শান্নখিবা ৱারীদা মহাক্না হায়, সুপ্রিম কোর্টনা পীরকখিবা ইন্তরিম ওর্দর অদুগী দিরেক্সনশিং অদুদি মহাক্না মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী হাউসতা তোঙান তোঙানবা কন্মিটিশিংগী নৎত্রগা হাউসকী ফ্লোরদা ভোট লৌনরকপা মতমদা ভোট পীদুনা শরুক য়াবদা অথিংবা থম্লকখিবনি। অদুগা মহাক্কী এম এল এ ওইবগী তোলোপ লৌবা য়ারোই খক্তং হায়রকখিবনি। সুপ্রিম কোর্টনা পীরকখিবা দিরেক্সনশিং অদু ঙসি ফাওবা ঙাক্না চৎপগা লোয়ননা এপেক্স কোর্ট অসিগী মায়কৈদগী থম্লকখিবা অথিংবশিং অদু নত্তবা এম এল এ অমা ওইবগী থবক থৌরম পুম্নমক লেপ্তুনা পাঙথোরক্লি হায়রি। মহাক্না এম এল এ ওইরকপদগী ৱাংখৈ এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়ন্সিগী হান্না লৈরম্বা ফ্যের প্রাইস সোপ (এফ পি এস)কী অরিবা এজেন্টশিং শিন্দোল্লগা এ সী অসিগী পোলিং ষ্টেসন ৩২দা অনৌবা এফ পি এস এজেন্টশিং হাপখ্রে। মসিগী মতাংদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কন্মিস্নারনা মে ১৯, ২০২১দা মরী লৈনবা ওর্দরসু থোকখ্রে।

হৌজিক কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মায়োক্লরক্লিবা অসিগী য়েংলগা প্রাইম মিনিষ্টরনা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না মণিপুরগী মীয়ামদা মে অমসুং জুন থাগী য়েন্থোক্লবা পীরকখিবা চেঙশিংগী মনুংদগী মে থাগী ওইনদি মহাক্কী এ সীগী ফংফম থোক্লিবা মীয়াম পুম্নমক্তা য়েন্থোকপা লোইখ্রে। হৌজিক চৎলিবা থা অসিগী চেঙগী চাকথুংশিং এ সী অসিগী মীয়ামদা য়েন্থোক্লি। থবক অসি চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা শোয়দনা লোইশিনগনি। মহাক্কী এ সীগী ওইনা পীরকখিবা চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল, মে অমসুং জুন থাগী কেরোসিনশিংসু অথুবা মতমদা মীয়ামদা য়েন্থোক্লগনি হায়খি।

এম এল এনা মখা তানা হায়, ওইরিবা কোভিদ-১৯গী ফিভম অসিগী মতুংইন্না লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা থৌরাংশিংগী মনুং চন্না পোরোম্পাৎতা লৈরিবা মোদর্ন কোলেজগী বোইজ হোষ্টেল অনীদা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগী আইসোলেসন সেন্টরশিং হাংদোকখ্রে। থবক অসি এপ্রিল ২৮, ২০২১দা শেমখিবা এসেমব্লি সেগমেন্ট কোভিদ এৱ্যের্নেস কম এনফোর্সমেন্ট কন্মিটিগী কনষ্টিট্যুয়ন্সি লেভেল কন্মিটিনা পায়খৎপনি। হাংদোক্লিবা কোভিদ সেন্টর অসিদা হৌজিক পেসেন্ট ২৭ লৈরি। মখোয়গী মথৌ তাবা হীদাক লাংথকশিংগী মথক্তা চান-থক্লবা পোৎলমশিংসু পীরি হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুরগী এম এল এ পুম্নমক্কী ওইনা হৌজিক মায়োক্লরিবা পেন্দমিক অসিবু মায়োক্লবগী লৌখৎলকপা থবকশিংদা শীজিন্নবগীদমক চহী অমদা লুপা ক্রোর ২ ওইরিবা এম এল এ লোকেল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দগী মনুংদগী এম এল এ পুম্নমক্কী ওইনা অহানবা তাঙ্কক্কী সেঙ্কসন তৌরকখ্রবা লুপা লাখ ৩০/৩০গী শেনফমসু রিলিজ তৌরকখ্রে। অদুম ওইনমক মরী লৈনবা বেঙ্কশিং মহৌশাগুম থবক শূদবদগী ফংদবনি। অদুম ওইনমক হয়েং নৎত্রগা থা অসিগী ৮ ফাওবগী মনুংদা শোয়দনা কায়থোক্লগনি। মসিগীদমক মথৌ তাবা ফোর্মেলিটি পুম্নমক্কী থবকশিং মপুঙ ফানা লোইশিনখ্রে হায়রকখি। এসেমব্লিগী মায়কৈদগী মঙোন্দা এম এল এ অমা ওইনা প্রোভাইদ তৌরক্কদবা ষ্টাফশিংগী মতাংদসু এসেমব্লি সেক্রেটেরিয়টতা মথৌ তাবা ওফিসলশিং কর্ফিয়ু অমদি কন্টেনমেন্ট জোননচিংবনা মরম ওইদুনা শুনা কানরক্তবদগী পীরক্তবনি। লৈবাক্কী ফিভম অসি খরা ফগৎলক্লবদি মঙোন্দা পীফম থোকপশিং শোয়দনা পীরক্লগনি হায়খি।

অমরোমদা, হৌজিক মহাক্কী মায়কৈদগী এম এল এ অমা ওইনা ৱাংখৈ এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়ন্সিগী য়াওনা মণিপুর মীয়ামগীদমক পাঙথোক্লিংবা থবক ময়াম মাঙদা তাদুনা লৈরি। অদুম ওইনমক হৌজিক্কী ফিভম অসিদি পুলিস অমসুং মেদিকেল দিপার্টমেন্ট য়াওনা ইসেন্সিয়ল সর্ভিসকী পর্সনেল খরখক্তনা মথৌ পাঙথোক্লবনা মহাক্না পাঙথোক্লিংলিবা থবক থৌরম পুম্নমক্তা অপনবা ওইদুনা লৈরি। অদুম ওইনমক কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসি নীংথিজনা মায়োক্লদুনা লোইশিলহল্লবা মতুংদা মহাক্না পাঙথোক্কে খনবা মীয়ামগী থবকশিং শোয়দনা পাঙথোরকখিগনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

কোভিদ-১৯গী পরৈ হনবগী থৌরম...

লামায় ১গী মখা... মরম অসিনা হৌজিক মায়োক্লরিবা ফিভম অসিদগী পাঙথোক্তবা য়ারক্ত্রদুনা পরৈ হনবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লৈশীল্লক্লিবা অসি হন্দোকপনি হায়খি।

ঙসিগী থৌনি থৌরম অসিদা মায়কৈ মরি ঙাকপা লাইশিং, থাংজিং কোইরেল লাই, খান চাউবা ৱাংব্রেন, অৱাং কৌব্রু অশূপ্পা অমসুং মাজিংনচিংবগা লোয়ননা মঙাঙ, লুৱাং, খুমন অহুমসিগী মফমদা য়াওনা থৌনি থৌরম পাঙথোকপনি। লাঙ্গোলদা লৈরিবা নাপ্পচীক চীংদোল অসি মঙাঙ, লুৱাং, খুমন হায়দুনা লৈরিবা অহুম অসিনা নাপ্পা চীক্লা ৱা তানদুনা মীওইবগী পুন্সি কন্নবা চীক্লা ৱা তান্নফম্মি হায়বগী খুদম চীংদোল অসিগী খুভমনা পীরিবনি। মঙাঙ হায়বসিনা অঙাঙ ওইরিঙৈগী মতমনি, অদুগা লুৱাং হায়বসিনা মীয়ায় চল্লক্লবা মতম্বুনি অমসুং খুমন হায়বসিনা অহল ওইরকপদগীনা শিবা ফাওবগী মতমগী মহুৎ শিনবা শরুক্লি। মঙাঙ, লুৱাং, খুমন হায়রিবসি ইয়ু হায়, মঙাঙ ইয়ু, লুৱাং ইয়ু অমসুং খুমন ইয়ু হায়নসু খঙনৈ। মসিদি লাইনিংথৌ লাইরেম্বা হায়রোই। মদুগী মহুত্তা ইয়ু হায়না হায়গনি। মরমদি মঙাঙ ইয়ু, লুৱাং ইয়ু, অমসুং খুমন ইয়ু অহুম অসি মীওইবগী পুন্সি কনবগা মরী লৈনবদগী মখোয়বুসু থৌনিবনি। থৌনি থৌরম অসিদা লাইশোন তীনশোন, পেনা য়াকাইরোলনচিংবা অসিসু পুয়াগী মতুংইন্না য়াওহন্দুনা শক-শোনবনি। সনা কোনুংগী ওইনদি পুয়াদা য়ুন্ফম ওইদুনা পাঙথোকই। অমাইবী অমনা লাইফাওদা ফাওরে হায়দুনা থৌনি থৌরম অসি হেক্তমক পাঙথোকপসু নত্তে।

লাঙ্গোলগী নাপ্পচীক চীংদোল অসি ষন মরুম হায়নসু খঙনবা মফমনি। অদুগা মঙাঙ ইয়ু, লুৱাং ইয়ু অমসুং খুমন ইয়ু হায়বসিদি তাইবঙ মীওইবনা শিবা মতমদা য়াম্না নক্লবা, থৱায় অসিনা অতিঙ্কোক মরু য়ৌনা চৎনবগী লম্বীদসু য়াম্না নক্লহল্লি। মীওইবনা তাইবঙপান থাদোকপা মতমদা লাঙ্গোলদা লৈবা নাপ্পচীক অসি হান্না য়ৌরমগনি। মসি য়ৌরমদনা অতিঙ্কোক মরু য়ৌবা য়াদে। নাপ্পচীক চীংদোল অসি য়ৌরম্লবা মতুংদা খোঙহাম্পাৎতা চৎকনি। মসিগীদমক খোঙহাম্পাৎকী মফম অসিদা লৌবুক অমা লৈ। অদুবু হৌজিক্তি মসিগী পাক চাউবশিং পীকশিল্লক্লে। লৌবুক অদু নেসনেল হায়ৱে মনাক নক্লা লৈবনি। মফম অদুবু মীয়াম্না খুরুম্নে। খোঙহাম্পাৎ য়ৌরবা মতুংদা মীওইবগী থৱায় অদু অতিঙ্কোক মরুদা য়ৌগদৌরিবনি। মরম অসিনা অতিঙ্কোক মরুগা হেন্না নক্লরিবা অসিবু ইয়ু হায়না খঙনবনি। মসিদি লাইনিংথৌ নৎত্রগা ইবুধৌ হায়বদুদি নৎত্রে। লাইনিংথৌ নৎত্রগা ইবুধৌদি থৌনি থৌরম তৌজদুনা মসিগী তোঙানবা থৌনিরোলশিং লৈ। অদুবু হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা থৌনি থৌরম তৌবগী ‘লাই তাইনবগী’ মফম অমদি তোঙান্না লৈ। মরম অসিনা অহানবদা কংলৈপাক অসিদা লৈরিবা মীয়ামদা কোভিদ-১৯ লায়না অসিনা অসুম কোয়শিল্লক্লিবা অসি পরৈ হন্দোকপিনবগীদমক থৌনিবনি। মসিগী মথংদা অনীরক শুরকপা ওইনা মালেমদা লৈরিবা মীওইবা ফুরুপ খুদিংমক্তা কোভিদ-১৯গী লায়না অসিগী পরৈ হন্দোকহনবিয়ু হায়নসু থৌনিবনি। মীয়াম্নসু মাইবা মাইবীগী লাইফাওনি হায়দুনা মীয়ামগী অকায়বা ওইরক্কদবা থবকশিং তৌবিগনু। মসিগী মহুত্তা সনা কোনুংদা লাকপিদুনা অফবা মীয়ামগীদমক ওইরবদি সনা কোনুং য়াওনা লাইথৌশিং পাঙথোকমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

পোজিটিভ কেস ৮২৩ থেংনখ্রে, মীওই ৯...

লামায় ১গী মখা... কেস মশিং ২২৩ থেংনখিবনি হায়রি। ঙসিগী ওইনা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ১৯২, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২৪৫, থৌবাল ৮৬, বিষ্ণুপুর ৪৯, ককচিং ৬৯, উখ্রুল ১২, চুরাচান্দপুর ৭১, চান্দেল ৬, সেনাপতি ১, তমেংলোং ৩, তেংনৌপল ১৪, কাংপোকপী ৭, কামজোং ৯, জিরিবাম ৫৬ অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১ নি হায়রি। মখোয়গীদমক মাঙজৌনবা মেদিকেলগী চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্তেক্ট ট্রেসিংনচিংবগী থবকশিং লৌখৎলে হায়রি।

অমরোমদা, চেরোল অসিগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কন্মিটিনা পীরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না মীওই ৯ লৈখিদ্রে হায়রি। মীওইশিং অদু ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৩, ইম্ফাল ইষ্ট ৪, ককচিং ১ অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি হায়রি। অদুগা মীওইশিং অদু রিমসতা ১, জেনিমসতা ৫ অমসুং রাজ মেদিসিটিদা মীওই ৩ লৈখিদবনি। ঙসি লৈখিদবা মীওই ৯ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা মণিপুরগী অপুনবা মীওই ৮৮১ শুরে হায়রি। অদুগা ঙসিগী ওইনা লায়না অসিনা নারম্বদগী ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখ্রবা অপুনবা মীওইশিংগী মশিংনা ৬৪৬নি। মসিগী মনুংদা মীওই ৪৭৮না হোম আইসোলেসনদগী ওইরগা রিমসতগী মীওই ১২ অমদি অতৈ মীওইশিংনা জেনিমস অমসুং অতোপ্পা কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিশিংদগী দিসচার্জ তৌখিবনি হায়রি।

লোয়ননা, ঙসি থেংনখিবা এক্টিভ কেস মশিং ৮২৩ অসি থারগা ঙসি ফাওবগী ওইনা মণিপুরগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস মশিং ৫৫,২৩০ শুরে। হায়রিবা অপুনবা মশিং অসিগী মনুংদা মীওই ৫৪,৪৬৩না জেনরেল পোপ্যুলেসনদগীনি অদুগা লেমহৌরিবা কেস ৩,৭৬৭না সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনি হায়রি। অদুমওইনমক ঙসি মীওই ৬৪৬ দিসচার্জ তৌখিবা অসি থারবা মতুংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না অসিদগী ফগৎলকখ্রবা অপুনবা মীওইশিংগী মশিং ৪৫,১৬৫ শুরে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনদগী মীওই ৪১,৪১০নি। অদুগা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশিংনা ৩,৭৫৫নি হায়রি। লোয়ননা কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা, হৌজিক ফাওবগী ওইনা মণিপুরগী এক্টিভ কেস মশিং ৯,১৮৪ লৈরে। মসিগী মনুংদা মীচম মীয়ামগী মশিংনা ৯,১৭৭নি। অদুগা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশিংনা ৭নি হায়রি। অদুগা লায়না অসিদগী ফগৎলকখিবা মীওইশিংগী চাংনা ঙসিফাওবদা চাদা ৮১.৭৭ ওইরি হায়রি।

অমরোমদা, কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী সেকেন্দ ৱেভনা পীরক্লিবা চৈথেংশিং অসি মায়োক্লনবগীদমক মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা দি-টাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ১৮৬৩ অমসুং বি-টাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ৫৪৯ ফংহনখি হায়রি। মণিপুর লৈঙাক্কী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী মশিংনা দি-টাইপকী ৪১৯ অমসুং বি-টাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ৮৪নি। হায়রিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং অসগী মনুংদা বিষ্ণুপুরদা দি-টাইপ ৭১, বি-টাইপ ১৫, চান্দেলদা দি-টাইপ ৩২, বি-টাইপ ৭, চুরাচান্দপুরদা দি-টাইপ ৮৯, সেনাপতিদা দি-টাইপ ৩২, থৌবালদা দি-টাইপ ৫১, বি-টাইপ ২০, উখ্রুলদা দি-টাইপ ২৯, তমেংলোংদা দি-টাইপ ৩০, বি-টাইপ ৫, জিরিবামদা দি-টাইপ ৩৬, বি-টাইপ ১০, মোরেদা দি-টাইপ ১৯, বি-টাইপ ৫, কামজোংদা দি-টাইপ ৩, বি-টাইপ ১, কাংপোকপীদা দি-টাইপ ৩, ককচিংদা দি-টাইপ ১৬, বি-টাইপ ১৯, নোনেদা দি-টাইপ ২ অমসুং পার্বুংদা দি-টাইপ ৬ অমসুং বি-টাইপ ২নি হায়রি।

ঙসি ফাওবগী ওইনা মণিপুরগী অপুনবা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা মীওইশিংগী মশিংনা ৪,২২,৮৭২ শুরে হায়রি। কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অসিনা মীয়ামনা কোরোনাদগী ঙাকথোকহৌনবগীদমক হীদাক কাপথোকপিয়ু হায়বগা লোয়ননা ফেস মাস্ক উপ্তুনা খুৎ-শা শেংনা হামদোকপগা লোয়ননা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না চৎপিয়ু হায়রি। কন্ত্রোল রুমগী টেলিফোন নম্বরশিংনা ১৮০০-৩৪৫-৩৮১৮, ০৩৮৫-২৪৪১২২৬ অমসুং ০৩৮৫-২৪১১৬৬৮নি হায়রি।

[illegible]

KINGDOM EDUCATIONAL INSTITUTE
Regd. No. 422 of 2020 (Govt. of Manipur)
CIN Regd. No. U80903MN2021PTC014275 (MINISTRY OF CORPORATE AFFAIRS, GOVT OF INDIA)
AVIATION COURSE, SPOKEN HINDI, SPOKEN ENGLISH, COMPUTER (NIELIT) & STOCK MARKET
Dedicated Service since 2001 till date.
ADMISSION OPEN FOR ONLINE COURSE

Sl.No.	COURSE NAME	DURATION	COURSE FEE
1	DCA	6 Months	Rs. 2000/-
2	CCC	2 Months	Rs. 1500/-
3	OFFICE AUTOMATION	2 Months	Rs. 1500/-
4	TALLY with GST	2 Months	Rs. 1500/-
5	PROGRAMMING C	1 Months	Rs. 1500/-
6	PROGRAMMING C⁺⁺	2 Months	Rs. 2000/-
7	SPOKEN ENGLISH	2 Months	Rs. 1500/-
8	SPOKEN HINDI	2 Months	Rs. 1500/-
9	STOCK MARKET & TRADING	2 Months	Rs. 15000/-

For More Details Please Contact :- ✆ +91 70056 22203 / ✆+91 88374 07726
1/2 persons online Spoken English class AVAILABLE.
Kingdom Educational Institute,
Old Lambulane, Jail Road Opp. GP Women's College
Imphal - 795001
HL-B/6865/3,4,5,6,7